# অরুনাচল প্রদেশ ইন্দিয়াগী শরুক অমনি, কনাগুম্বশিংনা মদুগী মায়োক্তা ফোঙদোরকপা ৱাফম খন্ননিঙাই ওইদে ঃ *সিটারামন*



***গান্ধীনাগর, নভেম্বর ১১ ঃ***
অরুনাচল প্রদেশ ইন্দিয়াগী শরুক অমনি। ষ্টেট অদুগী মতাংদা অতোপ্পশিংনা ফোঙদোরকপা ৱাফমশিং ইন্দিয়ানা খন্ননিঙাই ওইদে হায়না দিফেন্স মিনিষ্টর নির্মালা সিটারামননা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

লুচিংবী অদুনা মমাঙ থাদা অরুনাচল প্রদেশতা চৎখিবা খোঙচৎ অদুগী মায়োক্তা চিনানা য়ানিংদবা ৱাফম ফোঙদোরকখিবগা মরী লৈননা লুচিংবী অদুনা ঙসি অকনবা ৱাফম অদু ফোঙদোরকখিবনি।

দিফেন্স মিনিষ্টরনা হায়, মহাক্কী অরুনাচল প্রদেশ খোঙচৎকী মায়োক্তা চিনানা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লিবা অদু করিগীনো। মহাক্কী খোঙচৎ অদুনা খুদোংচাদবা কয়া থোহল্লবগে। লমদম অদুদা প্রোব্লেম অমত্তা লৈতে। অরুনাচল প্রদেশ ইন্দিয়াগী ঙমখৈ মনুংদা লৈবা ষ্টেট অমনি। অদুগুম্বা মফম অদুদা অপাম্বা মতমদা চৎকনি। কনাগুম্বশিংনা ফোঙদোরকপা ৱাফম খন্ননিঙাই ওইদে হায়না লুচিংবী অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকখ্রে।

লৈবাক অসিগী দিফেন্স মিনিষ্টর নির্মালা সিটারামননা নভেম্বর ৫ দা অরুনাচল প্রদেশকী চিনাগা তায়নবা ঙমখৈ পরীংদা লৈবা ফোরৱাদ আর্মি পোষ্টতা চৎতুনা য়েংশিনখি। লোয়ননা ঙাকশেলগী লমদা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং য়েংশিনবগা লোয়ননা লাইফ ওফ একচুয়েল কন্ত্রোলদা ওইরিবা ফিভমশিং য়েংশিনখিবা লৈখ্রে।

লুচিংবী অদুনা ঙমখৈ লমদমদা য়েংশিনবা লাক্লম্বা নোংমগী মতূংদা চিংনানা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা য়েৎনবা লৈরিবা লমদম অদুদা য়েংশিনবা লাক্লম্বা অদুনা ঙমখৈগী পরীং অদুদা শান্তি ওইবা ফিভম অমা পুরকপা য়ারোই।

অরুনাচল প্রদেশপু দিবেটকী খা থংবা শরুক অমনি হায়না চিনানা ক্লেম তৌরিবনি। অদুম ওইনমক ইন্দিয়ানদি ৱাফম অদু অরানবা অমনি হায়না ফোঙদোক্লিবনি হায়রি।

টিবেটকী লুচিংবা দলাইলমা ইন্দিয়াদা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা অসিনা ইন্দিয়া অমসুং চিনাগী মরক্তা মুক্লবগী মরম অমা ওইহল্লিবনি হায়নসু লুচিংবী অদুনা ফোঙদোকখ্রে। মরী লৈনবা হায়বসিদা ইশু অমখক্লা লৈনরিবা মরী অদু কায়হল্লোইদবনি। ফিভম খুদিংমক য়ানবা অমগী মখাদা য়েংশিনগদবনি হায়খি।

গুজরাটকী লাক্লিবা ষ্টেট এসেমব্লি মীখলগা মরী লৈননা লুচিংবী অদুনা মীয়ামগী পূক্নীং চিংশিন্নবা হোৎনরি। কুলভুসন যাদব পাকিষ্টানদা ফাজিন্দুনা লৈরি। লৈবাক অদুনা মহাকপু শিবগী দন্দি পীখ্রবা মতূং পাকিষ্টাননা কুলভুসনগী লোয়নবী লৈবাক অদুদা লাক্তুনা উন্নবা য়াগনি হায়না ফোঙদোক্লিবা ৱাফম অদু মীওইবা অমগী মচৎ নত্তে হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

কুলভুসন যাদবকী কেস অদু ইন্টর্নেসনেল কোর্টতা পুখৎখ্রবনি। ইন্দিয়ানা মীওই অদু থাদোকহন্নবা উপায় কয়া শীজিন্নরি হায়নসু লুচিংবী অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী মতাংদা লুচিংবী অদুনা হায়, ষ্টেট লৈঙাক্লা টেরোরিজম লাকশিন্নবা চপ-চাবা খোঙথাং পায়খৎকদবনি। ষ্টেট পুলিসনসু অকনবা থবক পায়খৎপগী তঙায় ফদবা লৈ। মমাঙ চহীদা লমদম অদুদা নূংলংশিন্নবগী থৌদোক কয়া থোকখিবা লৈখ্রে। অদুগুম্বা থৌদোকশিং অদুদা জম্মু অমসুং কাশ্মীর পুলিসনা লৌখিবা থৌদাং অদু শীংথানিঙাই ওইরি।

ষ্টেট অদুদা লৈঙাক পায়রিবা কাঙবু অদু মীয়াম্না খনবনি। মখোয়না ষ্টেট অদুদা ওইরিবা ইশুশিং লাকশিন্নবা থবক পায়খৎকদবনি হায়রি।

# সিরিয়াদা আই এস নমথনবা য়ু এস প্রসিদেন্ট ট্রম্প, রুসিয়াগী প্রসিদেন্ট পুটিননা পূন্না থবক তৌমিন্নবা য়ান্নখ্রে



***হো চিন মিন, নভেম্বর ১১ ঃ***
য়ু এস কী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প অমসুং রুসিয়াগী প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিন ভিয়েটনামদা উন্নখিবগা লোয়ননা লুচিংবা অনীনা সিরিয়াদা লৈরিবা ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্টশিং মায়থিবা পীনবা পূন্না থবক তৌমিন্নবা য়ান্নখ্রে।

ভিয়েটনামদা পাঙথোক্লিবা এসিয়া পেসিফিক সমিটকী মতাইদা লুচিংবা অনীনা উন্নখিবা অদু শীংথানিঙাই ওইবা অমনি। ৱারী শান্নবা অদুদা লুচিংবা অনীনা আই এস পূন্না থেঙনমিন্নবগী ৱাফম য়ান্নখি।

য়ু এস কী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প অমসুং ৱ্লাদিমির পুটিননা এপেক্ত মীফমগী মতাইদা উন্নদুনা মালেমদা হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা খন্নবগা লোয়ননা সিরিয়া ৱাথোক লোইশিনহন্নবা পূন্না থবক তৌমিন্নদুনা আই এস মায়থিবা পীনবা খন্নখি হায়রি।

এসিয়া পেসিফিক মীফমগী মতাইদা লৈবাক অনীগী লুচিংবশিং উন্নগনি হায়বদু মমাঙদা শেমখিবা সেদুলদা য়াওদ্রবসু লুচিংবা অনীনা উন্নদুনা লৈবাক অনীগী মায়োক্নরিবা ইশুশিংগী মতাংদা খন্নখি। ভিয়েটনামগী হিথাংফম সহর দা নামদা এসিয়া পেসিফিক ইকোনোমিক্স কো-ওপরেসন (এপেক) কী মীফম পাঙথোক্লি।

ক্রেমলিননা ঙসি থাদোরকখিবা চেরোল অমনা ফোঙদোরকখিবদা রুসিয়া অমসুং য়ু এস কী লুচিংবা অনীনা সিরিয়াদা ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা কুপ্পা খন্নখি। ফিভম অদুদা লান্মীনা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদ্রে হায়বগী মতাংদসু খন্নখি। জিনেভা পিস প্রোসেসকী মখাদা লৈবাক অনীনা আই এস আই এস নমথনবা পূন্না থবক তৌমিন্নবসু খন্নখি হায়রি।

রুসিয়াগী ইন্টর্ফেক্স ন্যুজ এজেন্সিনা ফোঙদোরকখিবদা আই এস কী মথক্তা ওপরেসন চথবগী অকনবা থৌশিলশিংদা লৈবাক অনীনা পাউ ফাওনদুনা মতেঙ পাঙননবসু য়ান্নখি। সিরিয়াদা থোক্লিবা সিভিল ৱার অদু লাকশিন্নবা রুসিয়ানা সিরিয়া লৈঙাক্কা লোয়ননা চহী ৬ লোম চুপ্পা থবক তৌদুনা লাকখি।

নাকল অমরোমদা য়ু এস না সিরিয়ান, আরব অমসুং কর্দিস রিবেলশিং শৌগত্তুনা গ্রাউন্দ ওপরেসন চথনবা থৌশিল পায়খৎখি। ইং ২০১৪ দা য়ু এস না লুচিংবা চুঙশিন্নবা কাঙবুনা সিরিয়াদা লৈবা আই এস পোজিসনশিংদা এয়ারষ্ট্রাইক চথখিবসু লৈখ্রবনি হায়রি।

জিহাদিশিংনা খুদুম চল্লম্বা সিরিয়াগী মফম কয়াদা সিরিয়ান আর্মি অমসুং কর্দিস, আরব কোলিজন লান্মীনা অকনবা ওফেন্সিফ ষ্ট্রাইক চথদুনা লালহৌবশিং অদু তকথোক্লবা হোৎনখি। সিরিয়াগী অয়াম্বা মফমশিং লৈঙাক্কী লান্মীনা আই এস কী মখুত্তগী হন্দোকপা ঙমখ্রে। অদুম ওইনমক সিরিয়াগী মফম কয়াদা আই এসশিং মপাঙ্গল কন্না লৈরি হায়রি।

# কলম্বিয়াদা মদস্লাইদ থোকপদা মীওই অহুম শিরে কোরিন্দো সহর লৈখোম লৈনাংনা থুমজিনখ্রে



***বোগোটা, নভেম্বর ১১ ঃ***
কলম্বিয়াগী লা পাইলা তুরেল পাথোক্তুনা চেন্থরকপা অমসুং লৈখোম লৈনাং কয়া হাথরকপনা মরম ওইরগা কারিন্টো সহরদা চাওনা খুদোংচাদবা থোকহনখ্রে।

খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই অহুম লৈখিদ্রে। অদুগা মীওই ৩২ না অশোক অপন নংখ্রে। কারিন্টো সহরদা লৈখোম লৈনাং চেন্থরকখিবা অদুনা মরম ওইরগা সহর অদুগী মফম কয়া ফুমজিনখ্রে।

ইমার্জেন্সি ৱার্করশিংনা মী কনবগী অকনবা থবক পায়খৎখ্রে। পাউ অসিগী মতূং ইন্না লা পাইলা তুরেল ট্রোবান কায়বগা লোয়ননা সহর অদুদা লৈখোম লৈনাং কয়া চেনশিল্লকখি। সহর অদুদা লৈবা ইমুং কয়া অৱাবা নংহনখ্রে। মফম অদুদা লৈবা ইমুং ২০০ রোমগী মীওইশিং শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনখ্রে।

কলম্বিয়াগী চীংগী লমদম অদুদা তোয়না লেন্সলাইদ অমদি মদস্লাইদ থোকপগী থৌদোক থোকখ্রে। এপ্রিল থাদা লৈবাক অদুগী খা-থংবা পুটুমায়ো প্রোভিন্সকী মনুং চনবা মোকোৱা সহরদা মীওই ৩০০ লোম লেন্সলাইদনা মরম ওইরগা শিহনখিবা লৈখ্রে।

ইমার্জেন্সি ৱার্করশিংনা কারিন্টোদা মীশি-মীনা থোকহনখিবগী চাং অদু য়েংশিল্লি। লমদম অদুদা মীওই ৪ শিখ্রে হায়না পাউ ফংখ্রবা মতূং মীওই ৩ দি চপ-চানা লৈখিদ্রে হায়বা খঙদোকপা ঙমখি। মখোয়গী মনুংদা মীওই অমগী হকচাং ফংবা ঙমখ্রে। মীওই অদু মদস্লাইদ থোক্লিবা মফম অদুগা নক্লবা মফম অমদা থবক তৌদুনা লৈখিবনি হায়রি।

প্রসিদেন্ট জুৱান মানুৱেল সন্তোসনা হায়, খুদোংথিবা ফিভম অদু য়েংশিন্নবা ফাইয়ার ফাইটরশিং থাজিনখ্রে। মখোয়না কালি সহর অমদি কারিন্টো সহরদা লৈবা খুদোংথিবা মায়োক্নরবা মীয়ামশিংদা মতেঙ পীগনি হায়রি।

# শাশিন্নবা আধার শেম্বা খূৎপু থুগাইখ্রে, মীওই ৫ ফারে

***দিমাপুর, নভেম্বর ১১ ঃ***
নাগালেন্দদা শাশিন্নবা আধার কার্দ শাবা খূৎপু অমা দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা থুগাইখ্রে। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা দিমাপুর সহরদগী মীওই ৫ ফারে। দিমাপুর পুলিসকী পি আর ও না থাদোরকখিবা চেরোল অমগী মতূং ইন্না দিমাপুরগী সেমাটিলা কোলোনিদা থি-হুম্বগী থবক চথবদা শাশিন্নবা আধার কার্দ শেম্বা খূৎপু অদু থেঙনরকখি।

ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১ রোম তাবদগী চথবা হৌখিবা ওপরেসন অদুদা মীওই ৫ ফাগৎপা ঙমখি। ফারবা মীওইশিং অদুদি সন্তোস চৌধরি মহন্তো (২৩), উমেজ গুর (২৩), বিটু কুমার চৌধরি (২০), রাজকুমার জৈসৱাল (২০) অমসুং রাজু কুমার সি চৌধরি (৩৬) নি হায়রি।

মফম অদুদগী পুলিসনা আধার শেম্নবগী ফোর্ম অমসুং শাশিন্নবা চে-চাং কয়া ফাগৎপা ঙমখি। পুলিসনা খূৎপু অদুদগী লেপতোপ ৭, য়ু এস বি-জি পি এস দিভাইস ৫, প্রিন্টর ৬, বাইওমেট্রিক ফিঙ্গর প্রিন স্কেনর ৬, বাইওমেট্রিক আইরিস স্কেনর ৫, মোবাইল হেন্দসেট ৮, মিনি ফিঙ্গর প্রিন দিভাইস ২ অমসুং শেল ওইনা লুপা ১৫,৫০০ ফাগৎপা ঙমখি হায়রি।

নমথাক তৌবা সেন্টর অদুদা আধার শেম্নবা লাকখিবা মীওইশিং অদু লমদম অদুগী য়েলহৌমীশিং ওইদে। মখোয়না শাশিন্নবা চে-চাংশিং পুথোক্তুনা আধার লৌননবা হোৎনরমখিবনি হায়না দিমাপুর পুলিসনা ফোঙদোরকখি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা দিমাপুর পুলিসনা কেস অমা লৌখৎপগা লোয়ননা সব-অর্বান পুলিস ষ্টেসন দিমাপুরনা মখা তানা থিগৎপগী থবক চথরগনি হায়রি।

**সনা-সুদোকু – ৯৯২ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 9 | 7 | 3 | 1 | 6 | 2 | 8 | 4 |
| 3 | 1 | 8 | 7 | 2 | 4 | 6 | 9 | 5 |
| 6 | 4 | 2 | 8 | 5 | 9 | 3 | 1 | 7 |
| 8 | 2 | 9 | 1 | 6 | 7 | 5 | 4 | 3 |
| 4 | 5 | 3 | 2 | 9 | 8 | 7 | 6 | 1 |
| 1 | 7 | 6 | 5 | 4 | 3 | 8 | 2 | 9 |
| 7 | 3 | 1 | 9 | 8 | 2 | 4 | 5 | 6 |
| 2 | 6 | 5 | 4 | 3 | 1 | 9 | 7 | 8 |
| 9 | 8 | 4 | 6 | 7 | 5 | 1 | 3 | 2 |

## GAS TODAY

**Yairipok Gas**
Booking : 07/08/17
Valid : 01/08/17
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Khumbong Indane**
Booking : 11/09/17
Valid : 07/09/17
Stk : 306
Rate : Rs. 847
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**RDB Gas**
Booking : 26/08/17
Valid : 03/08/17
Stk : 612 CTC
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Swombung Gas**
Booking : 14/09/17
Valid : 10/09/17
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Phayeng Gas**
Booking upto date
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Jemon Gas, Singjamei**
Booking : 02/07/17
Valid : 09/06/17
Stk : 612
Time : 07.00 to 09.00 a.m

**Khongnang Gas, Ningthoukhong**
Booking : 04/07/17
Valid : 12/06/17
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**M M Gas**
Booking : 02/07/17
Valid : 27/06/17
Rate : Rs. 842
Time : 07.00 to 10.00 a.m

# জি এস টি গী টেক্স পোৎলম খরদা হন্থরকখিবা অদুদা রাহুল গান্ধীগী অচৌবা থৌদাং লৈখি ঃ *কংগ্রেস*



***ন্যু দিল্লি, নভেম্বর ১১ ঃ***
গুদস এন্দ সার্ভিস টেক্স (জি এস টি) কাউন্সিলনা নুমিৎ খুদিংগী শীজিন্নবা পোৎলম ১৭৮ তা লৌবা টেক্স হন্থহনখিবা অদু কংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা অকবা প্রেসর পীরকপদগী ওইহল্লকখিবনি হায়না কংগ্রেস পার্টিনা ফোঙদোরক্লি।

জি এস টি না লৌরিবা খ্বাইদগী ৱাংবা টেক্স অদুগী মায়োক্তা কংগ্রেস পার্টিনা থেঙনদুনা লাকখি। পার্টি অদুনা কন্না হোৎনখিবগী মতূং ইন্না নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিংদা চাদা ২৮ গী চাংদা টেক্স লৌরম্বা অদুগী মহুৎ চাদা ১৮ হন্থহনবগী ফিভম অমা লাক্লি।

রাহুল গান্ধীনা হৌজিক চৎনরিবা টেক্সকী মওং অসি সোলে ফিল্মগী গবরসিংনা লৌবা টেক্স মখল অদুগা মান্নে। লৈবাক অসিগী পুৱারীদা মোদি লৈঙাক্লা অদুগুম্বা টেক্স লৌবগী মওং অদু চৈথে হায়না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবনি হায়রি।

কংগ্রেস পার্টিগী জেনরেল সেক্রেটরী ইনচার্জ অসোক গেহলোটনা ঙসি পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা জি এস টি কাউন্সিলগী টেক্স লৌবগী থবক হন্থনবা লৌখিবা ৱারেপ অদু রাহুল গান্ধীনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং অদু য়েংলগা পায়খৎলকপা থৌশিল অমনি। মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা গুজরাটতা হৌজিক রাহুল গান্ধীনা অকনবা মওংদা ভোট খোম্বগী থবক চথরি। লোয়ননা লৈঙাক অসিগী অশোয়বা কয়া মীয়ামদা খঙহল্লি।

গুজরাট প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং বি জে পি গী প্রসিদেন্ট অমিট সাহগী হৌরকফম ষ্টেট অমা ওইরিবনি। ষ্টেট অদু হৌখিবা চহী ২০ লোম বি জে পি না লৈঙাক পায়দুনা লাকখি। হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট এসেমব্লি মীখল অসিদা কংগ্রেস পার্টিনা শক্তি পায়ননবা অকনবা থৌশিল চথরি হায়রি।

ষ্টেট অদুদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলগা মরী লৈননা কংগ্রেস পার্টিনা মরু ওইনা ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা জি এস টি অমসুং দিমোনিটাইজেসন হায়বা হীরমশিংদা মীৎয়েং থমদুনা ভোট খোম্বগী থবক চথরি।

কেহলোটনা হায়, জি এস টি কাউন্সিলনা পোৎলম খরদা টেক্স লৌবগা চাং হন্থহল্লকখিবা অদু গুজরাট মীখলগী য়েংলগা পায়খৎলকপা থৌশিল অমা ওইগনি। ষ্টেট অদুগী মীখল তাঙ্কক অনী থোক্লা দিসেম্বর ৯ অমসুং দিসেম্বর ১৪ দা পাঙথোক্লবা শেম-শারি।

বি জে পি না গুজরাট মীখলদা চাওনা মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি। কংগ্রেসকী ৱাঙাংলোই রন্দিপ সিংহ সুর্জেৱালানা হায়, বি জে পি না লুচিংবা লৈঙাক জি এস টি গী চাং হন্থহন্নবা ৱারেপ লৌখিবা অদু লৈবাক অসিদা থোক্লিবা তংদু-লৈতাদবা ফিভম অদু য়েংলগা পায়খৎপা অমসুং কংগ্রেসকী লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা অকনবা প্রেসর পীরকপদগী লৌখৎপা খোঙথাং ওইগনি।

ইন্দিয়াদা গবরসিং টেক্স নত্তবা অচম্বা টেক্স লৌবগী মওংদা চৎনহনবা তঙায় ফদে। চাদা ২৮ গী চাংদা টেক্স লৌবগী মওং অদু হন্থদুনা হৌজিক্তি চাদা ১৮ গী চাংদা টেক্স লৌবগী ফিভম অমা লাক্লে। করিগুম্বা বি জে পি না অদুগুম্বা থবক অদু পায়খৎলক্ত্রবদি কংগ্রেসনা মখা তাবা অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিলক্লম্বা য়াই হায়খি।

# অনৌবা জি এস টি কাউন্সিলগী ৱারেপনা মীয়ামদা খুদোংচাবা পীরগনি ঃ *মোদি*

***ন্যু দিল্লি, নভেম্বর ১১ ঃ***
গুদস এন্স সার্ভিস টেক্স (জি এস টি) কাউন্সিলগী ৱারেপ অদুনা মীয়ামদা খুদোংচাবা ফংহল্লগনি লোয়ননা লৈবাক অসিগী টেক্স লৌবগী থৌশিল হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহল্লগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখ্রে।

জি এস টি কাউন্সিলনা ইরাই নুমিত্তা লৌখিবা ৱারেপ অদুনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীয়ামদা থোইদোক হেন্দোক্লা খুদোংচাবা পীরগনি। জি এস টি কাউন্সিলগী রিকমেন্দেসন অদু মীয়ামগী য়েংলগা লৌখৎপা থৌশিল অমা ওইগনি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা ট্যুটরদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমদা জান ভাগিদারি হায়বসি থবক তৌবগী খ্বাইদগী মরু ওইবা অমনি। লৈঙাক অসিনা লৌরিবা ৱারেপ খুদিংমক মীয়ামগী অপাম্বগী মতূং ইন্না লৌবনি। মীয়ামগা মরুপ-মপাং ওইবগী মরী অমসুং মীয়ামদা অখন্নবা মীৎয়েং হায়বসিদা ৱারেপশিং অদু লৌখিবনি। জি এস টি গী খুখাংদা ইন্দিয়াগী জি এস টি থৌশিল চৎনহন্দুনা শেল-থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবা চোকথবা লৈতনা থবক তৌরি।

জি এস টি কাউন্সিলনা নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলম ১৭৮ দা লৌরম্বা চাদা ২৮ গী টেক্স হন্থহনখ্রে। লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা থৌশিল অদুদা ইন্দষ্ট্রি কয়ানা তরাম্না ওক্লি। অহোংবা অসিনা পোৎ শীজিন্নরিবা মীওইশিং দিমান্দ পীননবা চপ-চাবা থবক তৌবা ঙম্লগনি।

জি এস টি কাউন্সিলনা টেক্স লৌবগী চাং হন্থহনখিবা অদু তঙায় ফদবা পোৎলমশিংদা ওইখি। অদুম ওইনমক অরু-অহেন, বিলামাটি, রঙ, এরোপ্লেন টিকেট অমদি ওটো মোবাইলগী পোখোকশিংদদি চাদা ২৮ গী টেক্স স্লেব অদুমক চৎনগনি হায়রি।

# ফেসবুক্তা দেঙ্গিগী ফিভম ফোঙদোক্লুবা ডাক্তর সস্পেন তৌখ্রে

***কোলকটা, নভেম্বর ১১ ঃ***
ৱেষ্ট বেঙ্গলদা দেঙ্গি লাইনানা শীংনরক্লিবগী মতাংদা ষ্টেট লৈঙাক্লা থৌশাদনা লৈথোক্লে হায়না ফেসবুক্তা ৱাফম খরা ফোঙদোক্লুবা ডাক্তর অমা ৱেষ্ট বেঙ্গল হেল্‌থ দিপার্টমেন্টনা সস্পেন তৌখ্রে।

ডাক্তর অরুনাচল দত্তা চৌধুরিনা ফেসবুক্তা ষ্টেট অদুদা ওইরিবা দেঙ্গি লাইনাগী ফিভম অমদি মীয়াম্না লান্না লৌনরিবা অমদি হোস্পিটাল এদমিনিষ্ট্রেসন্দা ওইরিবা খুদোংচাদবশিং সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎখি। মহাক্না সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎখিবা ৱাফম অদু ষ্টেট হেল্‌থ দিপার্টমেন্টনা হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা ডাক্তর অদু সস্পেন তৌখ্রে হায়রি।

ডাক্তর অদু মেদিকেল প্রোফেসন্দা এম দি অমা ওইবগা লোয়ননা নোর্থ ২৪ পরগনা দিষ্ট্রিক্তা লৈবা বরসাট দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা থবক তৌবনি হায়রি।



***ইন্দোনেসিয়াগী ম্যুজিম অমদা মীয়াম্না শেলফি তৌননবা থমখিবা অনীশুবা লাঞ্জাওগী হেরো এদোল্ড হিটলরগী খোইরুনা শাবা মীতম***

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-993**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 4 | | | | | 8 | |
| | | | | 6 | | | 2 | |
| 1 | | | 2 | 5 | | | 9 | |
| 6 | 9 | | | 7 | 1 | | | |
| 5 | | | | | | | | 9 |
| | | | | | 4 | 6 | 3 | 1 |
| | | 7 | | | 3 | | | |
| | 1 | | 9 | 2 | 5 | | | |
| | 2 | | | | | 5 | | |